# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কাংখী পাম্বী

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

*কাংখী পাম্বী* অসি ৱীদ হায়বদি হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা হৌবা মরম্না মীয়াম্না মসিদা য়াওরিবা হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং অসি থোইদোক্না খঙজিল্লুদে অমসুং থিজিনলুদে। কাংখী পাম্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ন এবুতিলোন **(Indian Abutilon)** নৎত্রগা ইন্দিয়ন মেল্লো **(Indian mallow)** নৎত্রগা কন্ত্রি মেল্লো **(Country mallow)** নৎত্রগা মঙ্কী বুশ **(Monkey bush)**, সংস্কৃটতা এটিবালা **(Atibalaa)**, টামিলদা থুথী **(Thuthi)**, টেলেগুদা ধুভেনা কায়ালু **(Dhuvvena Kayalu)** নৎত্রগা দুভেনা বেন্দা **(Duvvena benda)**, ওরিয়াদা পেদি পেদিকা **(Pedi pedika)**, হিন্দিদা কাংখী **(Kanghii)**, গ্রীক্তা এভুটিলোন-টো-ইনিদকোন **(Avutilon to indikon)**, ইটালিদা এবুতিলোন **(Abutilone)**, জাপানিজদা টাকাসাগো ইচীবি **(Takasago ichibi)**, স্পেনিসতা বোটোন দি ওরো **(Boton de oro)**, থাইদা খ্রোপ চাক ক্রাৱান **(Khrop Chak Krawaan)** হায়না কৌই অমসুং জুবা কুশুম পাম্বীগী শাগৈ হায়বদি মালভেসী **(Malvacceae)** দা চল্লি। কাংখী পাম্বীগী সাইনটফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *এবুটিলোন ইন্দিকম* ***(Abutilon indicam (Link Swee)*** নৎত্রগা *সাইদা ইন্দিকা* ***(Sida indica Linn.)*** হায়না কৌই। ঐখোয়না খঙনরিবা উহন অমসুং টোকপ্রে পাম্বীশিং অসিসু সাইদা জিনসতা চল্লি।


কাংখী পাম্বী অসি কদাইৱাইদগী হৌরকখিবনো হায়বগী চপ চাবা পাউদমশিং ফংবা ঙমদ্রবসু পাম্বী অসি ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা শোয়দনা ওইগনি হায়না লৌনৈ। মরমদি পাম্বী অসিগী স্পেসিস **(Species)** কী ওইবা মমিং ইন্দিকা নৎত্রগা ইন্দিকম হায়বদি ইন্দিয়া হায়বসিদগী লৌদুনা থোনখিবনি। অদুগা পাম্বী অসিবু ইন্দিয়ান এবুটিলোন নৎত্রগা ইন্দিয়ান মেল্লো হায়না কৌনবসিনা পাম্বী অসি ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা শোয়দনা ওইগনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি কাংখী পাম্বী অসি শোরোক্কী মতাই, নাপী হৌবা চীংখোঙ-চীংয়াশিং, ষঞ্জাবুংগী অকোয়বা, শান্নবুংগী মতাই অমসুং খোংবান-লুকপান্দা অদুমক য়াম্না মরাং কায়না হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা হৌই। কাংখি পাম্বী অসি খরা শারপ তৌবা সবট্রোপিকেল অমসুং খরা হেন্না শাবা ট্রোপিকেলগী লমদমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী।

কাংখি পাম্বী অসি চাউরাক্না ফুট ২দগী ৩ লোম ৱাংবা মসা য়াম্না লোংবা পাম্বীনি। পাম্বী অসিগী মনা অদু ক্কা মনাগী মওং মাল্লপ তৌনা অকোয়বা অদু অচৌবা হোরায় ময়াগুম্না ৩-৪দং পাল্লি। পাম্বী অসিগী মশা পূম্বা পায়বদা নপলপ-নপলপ তৌই। কাংখি পাম্বীগী লৈ অসি উহান পাম্বীগী মপালগুম্না তৌরবসু চাউবা খরা হেল্লি অমসুং হঙ্গাম মপাল মচু ওই। পাম্বী অসিগী মহৈ অদু খূৎনাওবী নৎত্রগা খুবী অমুক চাউই অমসুং মথক থংবা শরুক অদু চক্রি ময়াগুম্না মক্রুক-মক্রুক লাওই অমসুং মতু য়াম্না চোমদুনা শা শা ষণনা থেংলুবদা নপকল্লি অমসুং অতোপ্পা মফমশিংদা পুদুনা চৎখি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না কাংখি পাম্বীগী মরাদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিংদি - এলান্তোলেক্তোন **(Alantolactone)**, আইসো - এলান্তোলেক্তোন **(Iso-alantolactone)** অমসুং গেল্লীক এসিদ **(Gallic acid)** অসিনচিংবনি। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না বিটা-সিটোসটেরোল **(β-Sitosterol)** অসি কাংখি পাম্বীদা য়াওই।



কাংখি পাম্বী অসি ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী অরিবা লায়েং পথাপ্তা হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। পাম্বী অসি অরুম-লায়হৌ তৌবা, লোক থুংবা, থবোম্বীগী লায়নাশিং অমসুং ঈশিং মরীগী লায়নাশিংদা কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। কাংখি পাম্বীগী মনা অদু ঈশিংদা ফজনা ফুৎলগা ঈংথহল্লবা মতুংদা ফিজুম্না ফজনা চুমথোক্লগা লৌবা মহী অদুনা নাকোং অদু তোয়না চামথোকপা-তৈথোকপদা নাকোং লাইখুন তৌবা অদু ফহনবগী মথক্তা নাকোং ঙরং-ঙরং ঙংবা অদুদসু থোইদোক্না য়াম্না কান্নহনবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা মহী অদুনা নাকোংদা দ্রোপ ওইনা চাং নাইনা হাপ্পদা না তাদবা **(Deafness)** অসিদসু য়াম্না কান্নবা ফল ফংবগী পাউদমসু লৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না কাংখি পাম্বীগী মনা অসি ফজনা শুগাইরগা শেম্বা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈবদা খৌবোম্বী তৌবা **(Mumps)** অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। ঘক্ষ্মানানা নাবা (ট্যুবরক্যুলোসিস) অসিদসু কাংখি পাম্বী অসি লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। অর্য়ুবেদিক্কী লায়েংদা কাংখি পাম্বী অসি থিবোং-থিরিলদা চাথৎতুনা থোকপা **(Hemorrhoids)** কী লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরি। ঈশিং পুকচৎপা **(Diabetes)** অমসুং নুপীগী থাগী খোংকাপ চাং নাইহন্নবা অর্য়ুবেদিক্কী হীদাকশিং শাবদা কাংখি পাম্বী অসি মরু লইবা মচল অমা ওইনা য়াওবগী পাউদমশিং লৈ। কাংখি পাম্বীগী উগী মকু **(Bark)** অদু ঈশিংদা ফজনা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা হক্কী ঈশিং য়াফম তৌবা অদু ফহনবা ঙম্বগী পাউদম লৈ। হায়রিবা মহী অদুনা হকচাংদা চাং নাইনা তৈবদা মীওইবগী উনশা অসি কুচু-কুমেন থোক্না থম্বা ঙমগনি হায়রি। অর্য়ুবেদিক্কী লায়েংদা কাংখি পাম্বীগী মনা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা খোইহিগা থিৎলগা চাং নাইনা পীথক্তুনা মীওইবগী শক্তি হেঙ্গৎহনবা **(Strength)** অমসুং লায়না তীলনা ঙাকথোকপা **(Immune system)** অসিদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। মখা তানা কাংখি পাম্বীগী মরা অদুদগী লৌবা থাউ অদুনা চাং নাইনা তৈবদা গাউট হায়না খঙনবা তাং চাউথোক্তুনা চিকপা-নাবা অসিদা হীদাক ওইনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরকপগী পাউদমসু লৈ। কাংখি পাম্বী অসি শুগাইরগা লৌবা মহী অদু ঈশিংদা য়ানশিল্লগা পীথকপদা ঈশিং য়াম্না তোয়না খৌরাংগনবা অসিদা শীজিন্নৈ। কাংখি পাম্বীগী মপাল অদু শুগাইরগা খোইহিগা তোৎলগা চাং নাইনা পীজবদা নুপাগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। পাৎপা অমসুং চাথৎপদা হায়রিবা অশেম্বা মচল অদুনা চাং নাইনা তৈবদা য়াম্না থুনা ফগৎহনবা ঙমগনি। বিজ্ঞানগী পাউদম অমগী মতুং ইন্না কাংখি পাম্বী অসি মখল মখা কয়াগী বেক্টেরিয়া হায়রিবা হিংকুপ মখল খরা হাৎপা ঙম্মী। পাউদম অসিনা মখা তানা হায়রি মদুদি কাংখি পাম্বী অসি দাইবেটিস অমসুং লিভরগী অনাবশিংদসু থোইদোক্না কান্নহনবগী মথক্তা অঙাংনা য়াং চিংবা **(Convulsion)** অসিদসু কান্নহল্লি।




# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদ্দম অমসুং অতৈ-অতৈ

## জপান্দা চৎলুবগী পাউদম মচা অমা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মতম অমদা পি দব্লিয়ু দিগী চীফ এঞ্জিনিয়র ওইবিরম্বা হৌজিক্না থবক্তগী পোত্থাদুনা লৈরিবা ইয়াম্বা শ্রী ওইনাম দিগেন, সোইবম লৈকায়দা লৈবনি। মহাক টেবল টেনিস হায়বা মশান্নদা অফবা শান্নরোয় অমা ওইনা ওইনা হৌজিকসু ওল মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরি। মহাক্না মণিপুর টিমগী মকোক চিংদুনা স্বিজরলেন্দ, স্বিদেন, চাইনা অমসুং জপান লৈবাকশিংদা ইন্টরনেসনল ভেটরান টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট কয়ারক য়াওবা চৎলুরে। নোংমদি ইয়াম্বা দিগেন মশামক্তা জপান লৈবাকসিবু কমদৌগে হায়দুনা য়াম্না থৱায় য়াওজনা হংখি। মহাক্না মোমোন নোক্তুনা জপান হায়রিবা লৈবাক অসি পিকচরবসু য়েংলু-য়েংলু খুদিংগী তৌগে হায়বমখৈ তৌবা ঙম্বা লৈবাক অমনি হায়দুনা পাউদম্বীরকখি। মসি হায়বগী ৱাহন্থোক্তি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীশিংনা করিগুম্বা থবক অমা মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্বগী থৌনা, পাঙ্গল, ৱাখল, লৌশিং অসি অদুক্কী মতিক ৱাংনা লৈ হায়বসি লমদম অদুদা লৈরিবা পোৎশকশিংগী মওং-মতৌ, মানা-মানা চৎলিবা শাজৎ-লিচৎ অমসুং তৌথোরকপা থবকশিংনা অদুম তাকচৈ হায়বনি। য়াম্না অখন্ননা ইয়াম্বা অদুনা হায়খিবা অমসু লৈরি মদুদি জপানগী ট্রাফিক সিষ্টেমগা মরী লৈননা হায়রবদা কনাগুম্বা-কনাগুম্বীশিংনা লম্বী-সরক্কী মফম অমদা হেক্তা খোঙনা লান্থোক্নবা হোৎনবদু গাড়ী থৌরিবশিং অদুনা হেক উবগা মানা মানা থৌরিবা গাড়ীশিং অদু খুদক্তা চপ চপ লেপহন্দুনা খোঙনা চৎলিবশিং অদুদা হান্না লম্বী ক্রোস তৌহন্নবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা পীনৈ। অসুম্না খোঙনা চৎলিবা মীশিংনা কয়াদা নুংঙাইনা জপানগী লম্বী সরক অদু ক্রোস তৌরিবা।

অমরোমদা, মণিপুরগী লম্বী সরক্তা হোর্ন হৌনা-হৌনা খোংদুনা পাই-পাই থৌনরিবা ইবুংঙো-ইবেম্মশিং অদু জপান লৈবাক্কী মীশিংগুম থবক অথুবা নৎত্রগা থবক য়াম্না চিঞ্জবা পংয়াও য়াওরম্লোই হায়না খল্লি। পূক্লিং-ৱাখল অমদা পংতাউ তাউদুনা পংথৌ-থৌরিবা হায়বদুনি। কয়াদি শাথিখ্রে মখোয় মখোয়গী অঙাওবা অয়াঙবা গাড়ী খূৎথৌ অদু। মণিপুরদদি লম্বী-সরক খোঙনা লান্থোক্নবা ওইরোম-য়েৎলোম চেপ্না চেপ্না য়েংদুনা খোঙ তপ্না-তপ্না থাংদোকপা হৌরক্লিবা মীশিং অদুদগী হালহৌনবা নৎত্রগা খরা থুনা খোঙনা লান্থোক্লিবা মীশিং অদু তকথৎপা নংনবগুম গাড়ীশিং অদুনা অঙানবা লাইট অমা নৎত্রগা অনী অদু অরাপ্পদগী খপ্লোই-খপ্তবোই তৌদুনা য়াঙনা থৌজিল্লক্কনি। খোঙনা লান্থোকচগদৌরিবা মীশিং খরখক অদুদা লম্বী-সরক অদুগী ৱাংমদা অশোয়-অঙাম য়াওদনা লান্থোকচনবা খুদোংচাবা হান্না পীফম থোকপদু গাড়ী থৌরিবশিং অদুগী মাইন্দ সেট অদু শাথিনা বেরা কারবনিনা অদুগুম্বা খুদোংচাবা অদু পীবিদে। মসিনি মণিপুরগী ট্রাফিক সিষ্টেমগী চুমথোকপদা ৱারবা তাঙ্কক অমা হায়বদো। হায়নরুদুনা কান্নদ্রবনি সাইদ চুম্না ৱাখল থাদরগা থৌজরিবা ঐগী গাড়ীসু সাইদ লান্না থৌজিল্লকপা গাড়ীশিংনা হেক হেক য়ৈশিন-থেংজিনবীবা ফীভম শোক্তুনা অমনবা মান্দুনা লৈরিবনি।

অরোইবদা, মণিপুরগুম্বা লৈবাক্তদি ইচম-চম্বা লাইফ সেভিং ওইগদবা ট্রাফিক রুলশিং ফাওবা ইঞ্জবা ঙমদ্রবা গাড়ী থৌরিবশিং অদুদি অথুবা মতমদা চৈরাক্কী এৱ্যেরনেস হান্না চাং নাইনা পীহৌবনা ফগনি খঞ্জে। মরমদি লৈশি-লৈথোনগী য়াম্লবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা পীরিবা হৌজিক্কানগী লৈবাকমচা তাবা এৱ্যেরনেস অদু হান্না মপূং ফানা পীনবা হোৎনরিঙৈদা ইরমদম অসিদা রোদ এক্সিদেন্টনা মরম ওইদুনা অশোক অপন, অশি-অনা কয়া য়াওরিবসি নোংমা কাংদে হায়বা য়ারে। মরম অসিনা লৈঙাকসু, মীয়ামসু চাওখৎপা লৈবাক জপানগুম্বদগী নিংথিনা খঙবা ঙমগদবা অরাইবা তম্নিংঙাই ওইবা পাড়াশিং অদুদি ফাহৌবা, তমহৌবা য়াম্না তঙাইফদ্রে খঞ্জে। অফবা চাওখৎপগী মতৌ তম্বদা মাঙগদবা, ইকায়নীংঙাই ওইবা মচাক করিসু লৈতে হায়বসি ঐখোয় মীয়াম্না খঙদুনা লৈরবা ৱাফমনি। নৎত্রগদি ইমা লৈবাক মণিপুর খুন্নাগী পুন্সি মহিং অসি মতুংদা তেলঙ্গা য়াহিপ, হৈনজোম য়ূম্বানগী ফীভমদা লাক্কদৌরিবনি।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## শুমাং লীলা ‘অমুনবা উহৈ’ য়েংলুবদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

*হৌখিবা* দিসেম্বর ২৪, ২০১৮দা শুমাং লীলা নিংথম কুম্মৈগী অরোইবা লীলা ওইনা ‘অমুনবা উহৈ’ য়েংবগী খুদোংচাবা ফংজদুনা য়েংবা চৎচখি। নুমিৎ অদুগী লীলা য়েংবা লাক্লিবা মীয়ামসু পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী অরিংবা, অফবা লীলা কাঙলূপ অমনি খঙবনিনা অদুক্কী মতিক মী য়াম্না য়েংবা লাক্লখি। হায়রিবা লীলা কাঙলূপ অদুসু মমাঙদা ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীনবা চহীগী অথোই অহেন তানবদা অহানবা মনা হায়বদি বেষ্ট প্লে চহী অনী থংননা লৌবা ঙমখ্রবা অদুগুম্বা অরিংবা, অফবা লীলা কাঙলূপনি।

হায়রিবা লীলা কাঙলূপ অদুনা শান্নবা লীলা ‘অমুনবা উহৈ’ মীয়াম্না পাম্নবা অফবা লীলা অমা শোয়দনা ওইগনি হায়না ঐহাক্না খঞ্জবগা চপ মান্ননা অচুম্বা ওইখি। লীলা অদু মনাওবী এম এমনা ইরগা য়ূম্নাম অরুনকুমারনা লমজিং লমতাকপনি। লীলা অদুদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদি লৈরেঞ্জাওগী শক্তমদা ললিৎ হোদাম, থোম্বগী শক্তমদা এল ইবোহনবী, থোম্বগী মচানুপাগী শক্তমদা এম সুনিল, শামুঙৌগী শক্তমদা য়ূম্নাম অরুন (লীলা অসিগী দিরেক্টর ওইরিবা), মনিতোম্বগী শক্তমদা অথোকপম সন্তোস, ইবোমচাগী শক্তমদা রগিটকুমার, সেলুংবগী শক্তমদা নাওরেম তম্ফামনিনি।

নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংদি লৈরেঞ্জাওগী মচানুপী অহলগী শক্তমদা য়ূম্নাম মিলন, মচানুপী অতোনবীগী শক্তমদা সেঞ্জম দিপশন, তনৌবীগী শক্তমদা ৱারিবম তোলমনিনি। লীলা অদুগী ঈশৈ নোংমাইদা জিতেনকুমার নাওরেম নুপা খোঞ্জেল অমদি নুপী খোঞ্জেলদা কান্তনি। লীলা অদুগী শম্লপ্পা ৱারীদি লাইরেঞ্জাওগী মচানুপী অনী লৈ। মচানুপী অহলবু লাইরেঞ্জাওনা লাইরিক লাইশুদা থৱায় য়াওই খন্দুনা নোংমদি মতিক চাবী মীথোই মীহেনবী অমা শোয়দনা ওইগনি খন্দুনা মপানা য়াম্না আশা চাউনা খনখি। অদুবু মপানা খনবগী ওন্ন-তৈনবদা পূম্নমক অরেম্বা তাইওন্নবা ওইনা থোকখি। মচানুপী অহল মহৈ তম্বা মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমদনা ঙন্তানা য়ূম পানখি।

মপা লাইরেঞ্জাও অদুক্কী মতিক নংবা কায়বা ওইখি। মচানুপী অহলবু অশাওবগী মৈরিনা লাইরেঞ্জাওনা মতম খরা ইন্থোকখি। ইঙাও ঙাওনা লৈজরম্বী লাইরিক লাইশুদা থৱায় য়াওদ্রবী মচানুপী অতোনবী য়াইফবীনা অচেৎপা ৱাশক অমগা লোয়ননা (মপানা আশা তৌরুদবী) কন্না লাইরিক লাইশুদা থৱায় য়াওবদগী মহৈদা মথোই মীহেনবী ওইরক্তুনা অচৌবা ওফিসর ওইরক্তুনা ‘অমুনবা উহৈ’ গা চপ মান্নখি। লীলা অদু হৌজিক মহৈ তম্লিবা টিনেজগী মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপাশিংনা য়েংবদা য়াম্না কান্নবা পীগদবা লীলা অমনি। মতিক চাদনা, শেন্থোক লৈতনা নৌনা য়ূম পানবগী অৱাবা কয়া মায়োক্নবা অদু নিংথিনা উৎলি।

লীলা অসিদা মনিতোম্বগী শক্তম লাংখিবা অথোকপম সন্তোসকী য়াম্না হ্যুমরস ওইবা দাইলোগনা অয়েংবা মীয়াম্বু পূক্লি তিংনা নোকহনবা ঙমখি। লীলা অদুগী ম্যুজিক য়াম্না ফজখি। দ্রেস কোষ্ট্যুমসু মপূং ওইনা য়েংবদা য়াম্না ফজখি। লীলারোয়শিংসু মানা মানা লৌরিবা রোল অদু অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা ফজনা এক্ট তৌখি। লীলা অদুগী অইবা মনাওবী এম এম রেদিও লীলা কয়া অমদি সেরিএল লীলা কয়া ইবদা মমিং লৈবদা নত্তনা শুমাং কুম্মৈ লীলা ইবদসু কয়াগী মতিক মমিং লৈরবা অইবনি। তামোবুসু অসিগুম্বা অফবা স্কিপ ইবিবগীদমক্তা থাগৎচরি। লীলা অসিগী দিরেক্টরবুসু থাগৎচরি। অরোইবদা পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসন্না মীয়ামদা কান্নগদবা অফবা পাউজেল পীগদবা লীলা কয়া পুথোকপীরক্কনি হায়না খঞ্জে।

*অদোমগী - হাওবিজম জয়, ক্বাকৈথেল থোকচোম মখা লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৭

১। মোংবাহনবদা লৈরিবা মহাবলিগী হনুমান মুর্ত্তি অসি শাখিবা নূং অদু সনা কৈথেলদা য়ুংলম্বা নূংনি।
(ক) নূং অদু করম্বা চহীদা মোংবাহনবদা চিংশিনখিবগে?
(খ) হনুমান লাইশঙদু চহীদুগী করম্বা থাদা শঙ্গাখিবগে?

২। ‘‘পীক্লবা ৱাহৈ অহুমসে/পূক্তা চেৎনা থমজিল্লু/নীংবা, চান্নবা, থাজবা।’’ ৱাহৈ পরেং অহুমসি কবি নবদ্বীপচন্দ্রনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু?

৩। ‘‘মমানা চাকখুমদা চঙখিদুনা/চাকথোং চফুদো পুথোক্লক্লগা/কপ্লিবা অঙাংদুদা পায়দুনা শান্নহল্লি।’’ পরেং অহুম অসিনা ‘অতিয়াদা মুশুকমুবা চাকথোং চফু পাইরে’ হায়বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অসিবু ইবা মপানগী অইবদুগী মমিং হায়য়ু?

৪। ‘‘ও: তনদন/ঙাল্লা-মুৎলা, ঙাল্লা-মুৎলা/করম্বা ইঙ্গিৎনো নঙনা ঐঙোন্দা পীরিবা?’’ পরেং অহুমসিনা সোরোখাইবম গম্ভিনীনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদু য়াওবা লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু?

৫। অতল বিহারী বাজপায়ীনা ইরম্বা ‘ইক্কিস কবিতাএং’ হায়বদু মৈতৈলোন্দা হন্দোকখ্রে। কনানা হন্দোকপনো হায়য়ু?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

## মরোল থোকপা লাই

